শক্লগে তারো ঈশৈ



ইজবী ঃ

এস, তরুনী দেবী

শগোলবন্দ মন্ত্রি লম্পাক, ইম্ফাল

খুরুমজারি হা ঈশ্বর

(২)

হা ঈশ্বর উংপিয় নংগী থৌজাংল
শাংলবা তাইবং মনালেলদ
থৌজাংল নীংয়েং য়েংবীয় হে প্রভূ
নতুং ইনজরী হা গোবীন্দ জগংকী মপু

(৩)

খোংদা নোপুর খুংতা বাঁশি
কোকথক্তা ব্রাহোংগী চুরংনা লৈতেংবা
খুংতা মুরুলীবাঁশি পায়ব
জগংপু শুমহংপা খুরুমজবী ননাইনা

খুরুমজরি হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐনা

(১)

হে ঈশ্বর খুরুমজরি তোল্লবা ননাই ঐনা
জগৎ অসিদা প্রভু নংনা অবাতার তৌবিরি
ঙানবীরে জগৎ শিনবা থুংনা
খুরুমজরি হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐনা।

(২)

মুংশিরবা প্রভু হে কৃষ্ণ
থুমশলবা নংগী ৱাহৈ কয়ামরুমনা
ঙসি কোকপিরে ননাই এগী থম্মোয়
খুরুমজরি হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐনা।

(৩)

তাইবংগী অরাবদগী কনবীৱা
নংগী মুংশি ৱাহৈনা মালেম শিনবা থুংলে
তাইবংনা নংবুত্তবু সোন্নরী
খুরুমজরি হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐনা।

ঈশ্বর নংনা থৌজানবীয়ু

(১)

হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ
কনবীয়ু ননাইশিংবু হে প্রভূ
নংগী নুংশি নুংশিহৈবা থৌজাল পিবীয়ু
থৌজানবীয়ুনে হে প্রভূ ননাইশিংবু।

(২)

হে প্রভু নংগী থৌজালগী মিংযেং পামজে
অরাবদা তেংবাংবীবা লৈতে নং নত্তনা
লৈজদে ঐখোয়গী লমজিং মৈরা
লমজিংবীয়ু হে প্রভূ তোল্লবা ননাইশিংবু।

(৩)

হে ঈশ্বর নহাক্না থৌজানবীয়ু
প্রভু নঙোন্দা ঐখোয়গী লৈজবা কংথোকচরে
হে প্রভু জগৎ সংসারগী লমজিংবীবা
তোল্লবা ননাই ঐখোয়-খুরুমলি হন্না হন্না।

নং নত্তনা কনা লৈজদে ননাইগী

(১)

তেল্লবা পুন্সিগী মিৎকুপ অসিদা
জগৎকী মপু নং নত্তনা কনা লেজদে
নংতনা ঐখোয়গী অশেংবা লন নি
নং নত্তনা লৈজদে নংতনা ঐখোয়গী মপানী

(২)

জগৎকী ময়া কোক্লবা শকচগে নংগী নগুম
পুন্সিগী অরাব কাক্লবা মিজরী নংগী দশা
নংতনা তাইবংগী লেংত্রবা লননী
জগৎকী লমজিং মৈরানী নংদি হে প্রভু

(৩)

মকত্রবা নংগী থম্বাল মানবা মাইখো
উজনিংবনা ননাইনা অঙিংগী অমমবা
করকা থিজরী অয়ুকী কোরো
থিবদা ফংলরোইদা হা ঈশ্বর থিডরী ননাইনা

[illegible] [illegible] [illegible] ঈশ্ব[illegible]নি

(১)

[illegible] ঈশ্বর নহাক্কপু [illegible]নবা
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সেম্বীবনী [illegible]
[illegible] [illegible] পাঙলে পুন্নমক
হে প্রভু নহাক্কা হাপ্লায়ুনে প্রভু.

(২)

[illegible]ভাগ্য মরতা [illegible]ইদি। হা কৃষ্ণ
[illegible] [illegible]জাল [illegible]নব। প্রভু
[illegible]জবী ননাইনা হন্না। হন্না
[illegible] [illegible]বা হে প্রভু [illegible] [illegible]

(৩)

[illegible] ঈশ্বর নহাক্ক [illegible] [illegible]নবীরী
[illegible] [illegible]বীবা [illegible]
নহাক্কনী তাইবংগী মকপতী
[illegible]জানবীয় তোল্লবী ননাই এবু
খুরুমজবী তোল্লবী ননাইনা হন্ন হন্না।

হা ঈশ্বর ননাইবু লমজিংবীয়ু

(১)

হা ঈশ্বর ননাইবু লমজিংবীয়ু
কনবীয়ু থম্মোয় অসে ঙালহনবীয়ু
পাঙ্গল অমদি থৌনা পিবিয়ু
হা ঈশ্বর নং নত্তনা কনা লৈজদে ঐগী।

(২)

মীওই খুদিং ননাই ঙাক্তনী
তাইবংগী ঈশ্বর হাযবদো নহাক্তনী
হে ঈশ্বর নংনা ঐখোয় খুদিং সেম্বীবনী
ঐহাক্না তাজৈ ঈশ্বর নংগী নঙন।

(৩)

মীওইবগী অৱা-অনা খুদিংমক
নংনা কনবী খুরুমজরী হে প্রভু
তোল্লবা মনাইনা হন্না হন্না খুরুমজরী
নংগী তৃভংগা মুরতীবু লাংচরি থম্মোয়সে।

হা ঈশ্বর য়োকপিয়ু ননাইশিংবু

(১)

ভক্তশিংগী মৈঙাল পিবিরীবা
তোল্লবশিংগী চংজকম ওইহিরবা
জগৎকী অরা অনাশিংবু কোকপিরীবা
কৌজবী ননাইনা হন্না হন্না।

(২)

হা ঈশ্বর নংগী নরাহৈ নপানশিং
ঙসি শিন্দনশান্দা মীওইবগী
লৌশিং মঙাল পিবীবা
হে প্রভু থৃকমজরি তোল্লবা ননাইনা।

(৩)

জগৎপু সেম্বীবা হে প্রভু
কুইরা কুইরগা অস্মম নৌথোকই
ইবুংঙো নংগী অবতার তৌবীদুনা
মীওই থুদিং শান্তি পিবীবী
হে প্রভু থৃকমজবী ননাইনা হন্না হন্না।

থৌজালগী মীৎয়েং পীনবীয়ু হে প্রভু

(১)

হে জগৎকী মপু জগৎ সংসারগী
অমাডিংবীবা পুন্সিমগী ননাইনা হন্না হন্না
তাইবং মপুগী থম্মোয়গী মংলান ওইবীবা
হে ঈশ্বর নঙোন্দা লৈজব পূম্বা কৎখোকচরী।

(২)

হে প্রভু তোয়ব [illegible]চিংবু থৌজালবীয়ু
থৌজালগী মিংয়েং পিনবীয়ু হে প্রভু
নংগী থৌজালগী মিংয়েংতনা ওসি
ইংবা ওমগনী ননাইগী থম্মোয়সে।

(৩)

নাইবং পুন্সগী পেমগী [illegible]
কৌজরী ননাইনা হন্না হন্না
থুরুমজরী তোল্লনা মনাইশিং[illegible]
পিনবীয়ু লংলবা নংগালা।

জসোদাগী মপারি ননি মাখোল হুর'নবা

(১)

জসোদাগী মপারী ননি মাখোল হুরানবা
ফাল্গুনা থমগে হোৎনবদা
পেহৌ পেহৌ কপাখিবা কৃষ্ণ শকহেনবা
জসোদাগী থরাই রাজবা মতমদুদা।

(২)

রাধাগী থরাই ওইরীবা
গোকুল কৃষ্ণ শকহেনবা
মমলবা তাইবংদা ঙাল্হনবীরো
হে কৃষ্ণ তোল্লবা ননাইশিংবু।

(৩)

লক্ষ্মীগী মবুংঙো হে প্রভূ
পুম্নমকপু থৌজান য়েনবিরীবা
তোল্লবা ননাইশিংনা থুরুমজরী
হে প্রভূ গোপিকাগী থরাই।

প্রতাবরুদ্র দেবনা চাককৌবা

(১)

প্রতাবরুদ্র দেবনা চাককৌবা
প্রভূনা চবিদ্রে প্রতাবকী চাকলেন
ফৎতবা হুন্দোকফমদা ফমহুনা লৈরে
প্রভুনা ফজরবা কোম্লুং চংবীদ্রে।

(২)

হংখি ননাইনা করিগীনো
হংনিংদে চানিংদে নিংথৌগী চাকলেন
মফম অহুদা অসোল অনা য়াউদে
~~ঙাকহাক্তা~~ ঙাইরম্মী মরল লৈবা।

(৩)

প্রভূনা ত্তাকপিবা খংলহুনা
অসোল অনা কৌরম্মী প্রতাবনা
লেংসল্লকই প্রভূ ফমফম লাংদা
লৌবীরে প্রভূনা প্রতাবকী চাকলেন।

সেৎলাইট অলমনা উরকই

(১)

সেৎলাইট অলমনা উরকই
ত্রিভংগ মূর্তী লৈরী ইবুংঙোগী
সর্গদা ফোটো লৌগে পুরকই
অলম্না পৃথ্বীদা লৈবী হৌজিকা ত্রিভংগ।

(২)

হে প্রভূ থুরুমজরী ননাইনা
ইবুংঙোগী মক্রুবা মূর্তীবু
ঙসি উজবা ফংজরে হে প্রভু
নুংঙাইজরে ননাই ঙসি নিংবা থুংজবা।

(৩)

জগৎকী ঈশ্বর নংতনা মনীনি
ঙসিদি ঐখোয়গী তশেংনা নুংঙাইবনি
তাইবংগী লননি অমতনি নংতাইবংগী মপু
নুংঙাইজরে ঙসিদি তাইবংগী নিংবা থুংলে।

শিন্নরম্মী প্রভুনা নিত্যানন্দদা

(১)

সিন্নরম্মী প্রভূনা নিত্যাইনন্দদা
চৎলগে ঐদি মতম লোইরে
মপ্লক লামলবা মতম অতুদা
লাক্লসনু মতম অতুদা পিগনী ঐনা দর্শন।

(২)

প্রভু নিত্যাইন্দদা হায়বকই
নং শন্দোকহোরো ধর্ম্মসে
হরি সংকৃতন য়াউবানংবা কয়াগী
অরাম খৌরাংলবা মতমদা সোাইদনা
লাকনী ঐগী নাক্তা।

(৩)

মীওইবশিংনা ঈশ্বরগী নাক্ত চংলকই
অরাবা তারবা মতমদা অতুদা
রারবা মতমদা চেং পীয়ু চংলকখিনী
তাকপীখি প্রভূনা নিতাইন্দদা
মতম অতুদা ঐবু খিজরকসনু ঐদি চৎলে।

ঈশ্বর ঐখোয় পুন্নমকপু নুংশিবী

(১)

হুমিংকী মঙালনা ঙসি
য়েল্লী মাইকৈ খুদিং থুংনা
ঙানদবা লৈতে ফত্তবা মফমদা
নুমিং অমদি পুন্নমকপু সেম্বীবা
খুরুমজরী ননাইনা হন্না হন্না।

(২)

ঈশ্বরনা ঐখোয় পুন্নমকপু নুংশিবী
অফবা মঙংদা থমনিংই
অসিগুম্না থৌজাল হৈরবা হে প্রভু
ত্রোল্লবা ননাইনা খুরুমজরী হন্না হন্না।

(৩)

তাইবংগী জিবা খুদিংমকপু
অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীরীবা
হা ঈশ্বর নংগী মপাল নাইত্রবা থৌজাল
খুরুমজরি ননাইনা হন্না হন্না।

শেংদোকপিয়ু ননাইগী থম্মোয়

(১)

হে প্রভূ জগৎকী মপু তাবদা নংগী
অথুম্বা রাহৈসে খাংবা ঙমদরে
হে থৌজাল হৈববা রাধাগী মবুংঙো
ননাইগী থম্মোয়সে ইংহনবীয়ু হে প্রভূ।

(২)

শেংদোকপিরো ননাইগী থাম্মোয়সে
নংগী অথুম্বা রাহৈশিং অসিনা খাংব. ঙমদরে
হে থৌজাল হৈরবা রাধাগী মবুংঙো
গোপিকাগী থরাই ওইরিবা খুকমজরি হন্না হন্না।

(৩)

খুকমজরী হে প্রভূ তোল্লবা ননাইনা
মত্তম চুপ্পদা নংগী নাম সোনবা ঙম্বা
শিনবীয়ু হে ত্রিভংগী মুর্ত্তী
শনজগে নানাইগী থম্মোয়।

মদুতনা ৫.

হা গোবিন্দ জগৎকী মপু

(১)

হা গোবিন্দ জগংকী মপু
অরা-অনাশিংগী মপু ওইরিবা
নংগী অচুম্বা রাহৈনা ওসি
মীওইবগী অরা-অনা কোকহল্লিবা।

(২)

থুরুমজরি প্রভূ তোল্লবী ননাইনা
অমমবদগী অরাবদগী কোকহবীয়ু
ননাইগী হকচাং অসি শেংদোকপিয়ু
ঐগী থম্মোয়বু তেকখৎহনবীয়ু।

(৩)

মীওই খুদিং অমতা ওইবা পীনবীয়ু হে প্রভূ
জগৎ সেম্বীবা হে ইবুংঙো প্রভূ
মংঙাল পীবীয়ু ননাই ঐবু
হা গোবিন্দ জগৎকী মপু থুরুমজরী হন্না হন্না।

নংগী খুয়া থম্বালবু কাওহনবীনু

(১)


হে ঈশ্বর খুরুমজরী তোলবী ননাইনা
নংগী খুয়া থম্বালবু কাওহনবীনু
ননাই ঐগী থম্মোয়সে ইংহনবীয়ু
জগৎকী অরা অনাদগী ননাইবু কনবীয়ু।

(২)

থম্মোয়সে ঈশ্বর নংনা শেংদোকপিয়ু
থম্মোয় অসি লাংতক্লহনবীগনু
মতম পুম্বদা ইংবা তপপা পিনবীয়ু
ইবুংঙো নংগী সেবাদা পুক্নিং চংহনবীয়ু।

(৩)

হে-তৃভংগা মুর্তী ওইরীবা প্রভূ
শ্রীমতি রাধিকাগী চান্নথোইবা
জগৎপু শেম্বীরিবা তোপ তোপ্পা গুনলৈবা
খুরুমজরী তোল্লবা ননাইনা হন্না হন্না।



নুংঙাইরে ঙসি য়াউশং নুমিৎ অসিদা

(১)

কৃষ্ণগী ধনিনা ঙসি পুন্নীল নিল্লে
য়ুমথোং খুদিং হরিগী নাম্না য়েল্লে।
মীপুম খুদিং থম্মোয় ইংহনলে
নুংঙাইরে ঙসি য়াউশং নুমিৎ অসিদা।

(২)

মীওই খুদিং অরা কোকপিরি
তথকপা থম্মোয় ইংহনবীরি হরিনা
বসন্ত ওইরকপনা তারে হরিগী নাম
নুংঙাইরে য়াউশং নুমিৎ অসিদা।

(৩)

থৌজানবীয়ুনে হে প্রভু জগৎকী মপু
তোল্লবা ননাই এনা খুরুমজরী
হে প্রভূ জগৎপু লমজিং ওইরীবা
লমতাগী পুর্ণীমা খুদিং য়াউহনমীয়ু নং নাম সোনবা।

ইবুংঙো জগৎকী মপু

(১)

ইবুংঙো জগৎকী মপু
নহাক নত্তনা কনা লৈজদে
খুদোংথীবদগী কনবীবা
পুন্নমক নংগী ননাই ঙাক্কনী।

(২)

হে জগৎকী ঈশ্বর ইবুংঙো
ননাইশিংগী থম্মোয় ইংহনবীয়ু
অনতা ওইনা পুন্সি নিবস্তু
থৌজাল অদু পিবিয়ু হে ঈশ্বর।

(৩)

হা ঈশ্বর নংনা থৌজানবীবনা
ঐনা ঐগী ইশাবু থৌজানবদগী হেল্লি
নংগী চরন নাক্তা লৈহনবীয়ু
নংগী থৌজাল খুদিং য়াউহনবীয়ু।

হায়নিংই নংসে জগৎকী মপুনা

(১)

হে প্রভু জগৎকী মপু
তোল্লবা ঐহাকপু থৌজানবীয়ু
থৌজাল পিবিয়ু হে প্রভু
ননাইগী থম্মোয়সে তেকখৎহনবীয়ু।

(২)

হা ঈশ্বর ননাইগী থম্মোয়সে
শেংদোকপিয়ু নংঙ্কী ঐগী চংজফমনী
নংনা ঐগী লমজিংবনী
নকাদা নত্তনা কনাদা চংলুনী।

(৩)

হায়নিংই নংসে জগৎকী মপুনী
তোল্ল তারবশিংগী চংজফমনী
নংগী নকাদা নত্তনা কনাদা চংলুনী
হে প্রভু চংজগে নংগী থুয়াখাদা।

হে প্রভু নহাকপু সেবা তৌজগে

(১)

হে ঈশ্বর ইবুংঙো জগৎকী মপু
ননাইশিংগী থম্মোয়বু নুংশিবীয়ু
অমত্তা ওইনা পুন্সিনবীয়ু
ঐখোয়দা নহাক্কী থৌজাল পিবীয়ু।

(২)

হে প্রভু নহাকপু সেবা তৌজগে
হে ঈশ্বর ঐখোয়বু ইতেংমত্তা হুন্দোকপিন্নু
ঐখোয়বু নহাক্কী থমজিংবীয়ু
নহাক্কী নাগশোননা পিমবীয়ু।

(৩)

নহাক্না ঐখোয়গী চংজফমনী
হে প্রভু নংতনা ঐখোয়গী মপুনী
নংদি জগৎকী মপুনী হায়বনৈ
নকাদা নত্তনা কনাদা চংলুনা।

অডুঙৈ ঐনা পীরম্বা খুদোপতো

(১)

অডুঙৈ ঐনা পীবম্বা খুদোপতো
হৌজিক কনাদা পিথ্রবগে
পিথ্রবরা কনা কনাগুবা অমাদা
হায়যুনে তথক-তথকপি ইবেম্মা।

(২)

সুমহৎহৈরবী নুজা নংগী
মীনুংশি হৈত্তবী নংগী থম্মোয়সে
কাওবা চমদে খল্লরোই হায়বা ডমদে
নোংমা নোংমগী অরাবা হেনগৎলকই।

(৩)

হায়য়ুনে চান্নবী শকহেনবী
পুকমেন পাউমেন্নখিবা অমতা ওইনা
য়েংমীন্নখিবা মেরাগী থাবল
কাওথ্রবরা নহাকপু অডুঙৈ ঐনা পিবম্বা খুদোপতো।

ঐনা নংবু উবা মতম অদুদা

(১)

ঐনা নংবু উবা মতম অদুদা
ঐগীনি খনজখিবা নংবু
ঐগী লাইরেম্বীদি নুঙা নংনি
তশেংনা ওইবা পাম্মী নংবু ঐগী ।

(২)

নংনা চৎপা খুদিং লৈরমগনী
ঐহাক নংনা ৱারবা মতমদা
অদুম লৈরমগনি ঐহাক মকমওদা
ঐসে নংগী ওইদুনা অদুম লৈরগদবনি ।

(৩)

নংনা ৱারবা মতম অদুদা
ডাইডনা লৈরমগেকো চান্নবী
ঐগী পুন্সিনা পাম্মী নুজা ওইবীবু
মতম পুম্নমক্তা ঐগী ওইবা ।

নিংবা কাইরবা ঐগী পুনসিসে

(১)

নিংবা কাইরবা ঐগী পুন্সিসে
নংনা নোক্লা নোক্লা য়েংলিবরা
নংনা ঐগী ইত্তো য়েংলগা
হরাও তয়াম্না লেপ্লিরবরা।

(২)

তাংখিবদাই নুংশি পন্থং য়োমিন্নসি
রাশকুখিবা পুন্নমক কাওবীগনু
নুংশি নশু লাং অরাবা ওইরেদো
পাম্লুব নংগী নশুংলাংগী থম্মোয় কাইথোরে

(৩)

ঙসি ঐনা-নিংবা কাইরগা
নংগী থম্মোয়না পেনবা ওইবী
লকবীগনু হে নুংশিথোয়বী
পাখংগী নিংবা থুংহনবী।

তোল্লিদকো পাখং ঐগী মপোকসে

(১)

তোল্লিদকো পাখং ঐগী মপোক
লাইবক থীদকো পাখং ওইবা মপোক
মপোক অসিমগী থীজ্বনতা লৈরগম্রা
ঐগী মপোক অনে অরাবতনা থল্লে।

(২)

অসিবু মীনা হংনদবা রাহংলা
অসিবু মীন হায়নদবা রাহৈর
ঐনদি রাজবা শাওগনবী থম্মোয়দে
থেম্বা হৈজদে শাওগনবীজুবু।

(৩)

অচুম্বা রাহৈনা হায়ব মতমদা
নংনা নোকপা অদুনি ঐনা হরাউজনা
য়াউশংগী মতমদা থাবল চোংবদা
নুজা খুজেং পাইজবা নংগা মরিলৈনবা পামজৈনে ঐনা।

শক্কনি ঐদি ঈশৈ শকপা ঙমলিবা ফাওবা

(১)

শক্কনি ঐদি ঈশৈ শকপা ঙমলিবা ফাওবা
ঙমলিবা মখৈ শক্কনী ঐদি ঈশৈ
শকনী ঐদি ঈশৈ ঐগী শুরনা তংত্রিবমখৈ
শক্কনী লেপতনা শক্কনী ঐদি ঈশৈ ।

(২)

ঈশৈতনা ঐগী পুন্সিগী লৈতেংনি
ঈশৈতনা ঐগী পুন্সিগী লাইশোননি
শক্কনী ঈশৈ ঐগী পুন্সিনা লৈরিমখৈ
ঈশৈদি ঐগীনি শক্কনী মতম পুম্বদা ।

(৩)

পামজৈ ঐনা ঈশৈ শকপা
মতমনা লৈরীবা মখৈ ঐগী লেপ্পা লৈতে
ঐনা শোনগনি মতম চুপদা ঈশ্বর
শক্কনী ঐদি ঈশৈ ঐনা শিরমদাই ফাওবা ।

পাখংগী মীংচিগী তেন্না থারমলগা

(১)

পাখংগী মীংচিগী তেন্না থারমলগা
কদায়দনো লিংকদববো
শিঙেল থিবা মালিনবো
থম্বালগী ভিংখং কিবরা ।

(২)

মপুং ফারবা খোইমুনী নংদি
কাইদোংফম লৈতে খনবীবরা
খোইমু পুকচেল পিকমল্লি
কাইদোংফম লৈতে খনবীরুন্নু ।

(৩)

লৈরাং মপুং ফানা শাংচবা
ঙমজদবী নংচদেনে ঐর্দি
মপুং ফানা লৈশাং তমজরী
চংখিবা য়ারোই মীংচি পাখোং ফোংলমখো ।

লম্বী লৈতে খনবীয়ু

(১)

লম্বী লৈতে খনবীয়ু
ৎপিখিবা য়ারোই হায়জরী
থিংজরীয়ে ননাউ ঐনা
অমুক্তদি ঙাইবীখো ।

(২)

পুকচেল তিংবা মোমোন নোকপা
নুংশিগী লম্বী তাকপিরমখোনে
নুংশিগী মানোক নোকপিরমখোনে
লম্বী লৈতে খনবীয়ু ।

(৩)

নুংশি রাহৈনা নুজা থম্মোয় ইংজগে
পাম্মু নংগী নশাইকোনদা লেজগে
মদুতনি ঐনা পামজবা
ইংহনবীরমখো ওমচাক্লরে ঐগী থম্মোয় ।

নিক নিক লাওরবা পাৎতা থম্বাল শাৎলি

(১)

নিক নিক লাউরবা পাৎতা থম্বাল শাৎলি
থম্বালনা নোকপা উরগা তাইবংনা হরাওরী
থম্বালগী লৈকা খুদিং খোয়মুনা ঙংলি
হরাওরী থম্বাল খোইমু অনিনা ।

(২)

থম্বালগী ফজবা লৈনমশিংনা নোকলি
অচোনবা পাৎকী ঈশিংগা লোইননা
হায়না লুমনা নোকমিন্নরী ঙসিদি
মালংগী ইপোম্মা তাম্থা পীরী ।

(৩)

থম্বালগী ফজবা মীনোক
পাৎকী নিংথিবা মওং
মালংগী ইপোম খিবিকপু
নুমিৎনা মুনা মুনা য়েংজরী
তাইবংগী অৱাবা কোকহল্লি ।

অসিরা কাইনবা হায়বদো

(১)

অসিরা কাইনবা হায়বদো
পাংদ্রবী ঐগী লাইবকতা
অমুক রাবসি তম্বীরমলে
নিংঙোল করি ওইরসিগে।

(২)

হাংলবা পুন্সি ওইহোরেদো
মিৎলু পিরাং ঈহৌনরে
অরা মৈচাক খাংহৌরে।
নিংঙোল করি ওইরসিগে।

(৩)

নুজা ওইবী পুন্সিসে
শাখং নাকতঃ লৈজনিংই
টরিগুম্না য়েৎচনিংই
পৈথি নাগী খোইনসিন্না
শামেল তালা কংগ্রবরা ?
নিংঙোল করি ওইরসিগে।

নুংশি নংগী করম্বা য়াখলনা

(১)

নুংশি নংগী করম্বা য়াখলনা
ঐগী পুন্সিবু য়াহল্লমবনো
চান্নবী নংগী করম্বা য়াখলনা
ঐবু কপহল্লম্বনো।

(২)

খংখিদে মহৌশা পুন্সিদা
অন্নাবা হায়বা মশকতো
খংখিদে অতুঙৈ থম্মোয় মৈচাক
চাকলে থম্মোয়সে ডসিদি খাংডমদ-মৈচাক্না চাক্রে।

(৩)

নুংশি মৈনা চাকলে ঐদি
শুমচাক্লুরে ঐগী থম্মোয়সে
খাংডমদ মৈনা চাকলে নোংম নোংমগী
অসিনা নুংশি মৈচাক হায়বদো।

ঐগী পুক্লিংনা পামজবা ঈশৈ

(১)

ঐগী পুক্লিংনা পামজবা ঈশৈ
কৈদৌরে নংবু শক্লরোইদ্রা
ঐগী থম্মোয়না মীহৌজবা মীনোক
কৈদৌরবগে নংবু নোক্লরোইদ্রা ।

(২)

শমলাং মরুম ওইনজবি মাইথোং
মপুং ফাদ লোংচরিবদো
চিনবান মপাল তাংজবী মীনোক
মকা লামদরে নোকচরিবদো ।

(৩)

মতম কুইরে ইখৌ লাংজরকপা
নংবু উনিংবা থোরাংবদি কোকত্রি
ঐহাক্কী তাইবংনী খনখি রাখলনা
য়েন্নীং থা থাবলনদি পুকনীং লাংতক্লী ।

নুংশি নংবু লাকলোগবা অথেংবা অহিং অসিদা

(১)

নুংশি নংবু লাকলোগবা অথেংবা অহিং অসিদা
নুজাগী থর্ত্তগী থরাই ওইরীবা ।
নুজাগী থোংজিল তমনা লাউকো
ঙাইবদা রারে নিংডোল ঐদি ।

(২)

কপচরি অতিয়া নিংবা কাইবগা-লোইননা
লোৎচরি থাজস্থ নিংবা কাইবগা লোইননা
উইজদ্রি ঐস্থ মীৎকী কক্লা অমতং
য়েংজরানে নং লাকপা লম্বী মুনা-মুনা

(৩)

লম্বী লমথাং কৈদা অরাবা থেংনরবা
উমং মচি করস্বদা লমফাংনরবা
য়েংজৈ মিংসিনা রাজৈনে নুজা ঐনা
থরাইনা তাজবা নুংশিবা হে-পাম্মুবা ।

মাগী শক্তম য়েংলোই থল্লুই

(১)

মাগী শক্তম য়েংলোই থল্লুই ;
হোংবা য়াদে ঐগী মীংয়েং।
মাগী মপাও তারবোই থল্লুই
কাইবা ঙমদে ঐগী থম্মোইনা।

(২)

থাজ য়েংলুই থম্মোয় ফাঙমদে,
লৈকোল য়েংলুই পুক্নীং লৈতাদে
মাগী মীরবা মুংশি খোনজেল্না
খোন্থাং য়েরি থম্মোয় লাইয়ুমদা।

(৩)

শুমহৎ হৈরবী নুজা মাগী মীনোকনা
মীনুংশি ফাওরা ঐগী থম্মোয়সে
থাংবা ঙমদ্রে পাখংগী থম্মোয়সে
কোকপা ঙমদ্রে মুংশি মৈশা।

লক্করক্কন্নু অথোবশা

(১)

লক্কবক্কন্নু অথোবশা
অথোইবনী তাইবংদা নখোয়দি
নখোয়গী নগুন মাংগনি
এবুদি মাংবা লৈরোই নখোয়না লক্কবগা।

(২)

অমাংবা ওইরবা লৈবাক্কী, লৈখা তাবনি নংগী
নংগী মাংজবনি নংনা ফত্রগা
লক্কবক্কন্নু হে তাইবংগী অথোইবশা
নংগী অমাং ওইগনি।

(৩)

মীনোক চাওবা তাইবংসিদা লৈরাং ঙনিং ঙেনা
শাংচগে ওইগনি অচুনা তাইবংগী অফবা
য়েংসনবীরক্কন্নু হে অথোব!
লক্করক্কন্নু হে অথোবশা।

ইমা কোগেকো নচা ঐনা

(১)

হো ইমা মুংশিরবী নংতনা ঐগী অশেংব লমজিংনি
কৈদৌনুংদস্থ কোক্লরোই ইমাগী মুংশিবা হগৌ
হো ইমা মুংশিবী মকম কৈদস্থ লৈরমলোই
ইমাগী থৌজাল মিৎয়েংগা মাল্লবা।

(২)

ইমা নংতনা ঐগী পুন্সিগী লমজিংবী
হো ইমা নংতনা ওসি মীরক তিলহল্লি
ইমা ইমা কোগেকো নচা ঐনা
থম্মোয় পেন্না কোগেকো ইনা।

(৩)

হো ইমা ইমাগী থৌজাল কাওচমদেনে
নচা ঐনা নচাগী মিরবা খোনজেল্লা
কৌজরি হো ইনা
য়েংবীয়ু ইমাগী থৌজালগী মিৎয়েং
হো ইমা, হো ইমা, হো ইমা।

চৎলোকো হে অথোবা ভারত মচাশা

(১)

চৎলোকো হে অথোবা ভারত মচাশা
নরৈবকীদমক্তা ঈ খুজোক খুজোক কৎপা
চৎলোকো হে অথোবা নরৈবাক নীংবা
মীংলুদা ঈশৈং তাবমখৈ কপতুনা
চৎলোকো হে অথোবা ।

(২)

নরৈবাকীদমক্তা অহিং মিৎসে
খাংতুনা ওইজবা পুম্বা থাদোক্তুনা
চংলোকো হে নরৈবাক নিংব অথোবশ
অফবনা নখোয়গী শরুক ওইযুকো ।

(৩)

মুৎলরোই নংগী মিংচৎ নোনা অতুম লৈরনী
নুমিৎ থানা পাল্লিবা মখৈ
হে অথোবা তাইবংগী লমজিংবা
চৎলোকো হে অথোবা
ওইযুকো নখোয়গী মঙ্গোল

নিংবা কায়রবা ঐগী পুনসি

(১)

নিংবা কাইরবা ঐগী পুন্সি নৌহোননা
অমুক হল্লা মুংঙাইবা মমি তারকখিগদ্রা
হন্দকী মপোক অসিদা নিংবা থুংলরোইদ্রা
অৱাবনা লোইবা নাইদ্রবা ঐগী পুন্সি
অসিরা নুঙাগী মপোক অৱাবতনা ওইরবা।

(২)

ঐগী মপোক অসি অৱাবতনা
থল্লবা মপোকনী অমুক নৌনা নিংবা
থুংবগী আশা লাপথোকখ্রে
নিংবা কাইরবা ঐগী পুন্সি অমুক
নৌহোননা মুংঙাইবা মমি তাবকখিগদ্রা।

(৩)

লোইরগদ্র অমুম্না পুন্সিসে য়ানা
কাইনা মৈশা লাংহুনা অৱাবতনা থল্লবা
মৈরিতনা চাকথেল্লবা থম্মোয়সে
নিংবা কাইরবা ঐগী পুন্সী
অমুম লোইসিল্লগদ্রা।

অসিরা নুংশিবা নুংশিবতনা ঐবু রাহল্লি

(১)

অসিরা নুংশিবা, নুংশিবতনা ঐবু রাহল্লি
চাকহল্লী লোইবা নাইদবা নুংশি মৈচাক
ইংলবা ইপোম্নলক্লা কোইনা চৎলি
অঙাওবীগী পান্দমগুম কোইনা চৎতুনা লৈ
হৈপাল লৈপাল হংলি নুংশিবদো উরম্বরা।

(২)

হংবীদেনে নুংশিবা মহাকনা
নুজাগী অরাবা মৈচাকসে
থম্মোয়নুংদা নোংমা নোংমগী ওমচাক্লরবা
নুংশি চৈনা পাম্মু মানদি তাবীদেনে এগী য়ারা।

(৩)

হে নুংশিথোইবা নুজাতনা রাজবা
পাখংনদি নাকোইনবীবা নুংশিবীদবা
নশুংলাংগী য়াইবী থরাই মাংলগে
খল্লকলেনে নুংশিথোইবা।

হৌখ্রবা নংগী ঐগী পুনসিগী ৱারিদো

(১)

হৌখ্রবা নংগী ঐগী পুন্সিগী ৱারীদো
হেন্না ফবনি নিংশিংলুদবনা
অদুবু নিংশিংলরোই ঙমদে
ঐগী কাইরবা থম্মোয়না ঙসি ।

(২)

নংদি থম্মোয় পান্দবীনী
পুন্সিগী অরেপ্পা খংদবীনী
নয়া তৌরম্বনী নংনা ঐবু
ৱারে ঙসিদি পাখং থম্মোয় :

(৩)

হবাওনা নোকলি নংনা
ঐনা কপলী হিক্রা হিক্রা
কপলকখিনি নোংমদি নংস্রু
ময়াগী সংসারদা থুক্লরে ঐদি ।

নৌনা শাংচবা লৈরাংনি

(১)

পাম্মুনা থমজরকপনী ঐগী লৈনাসে
থদংখিগদ্রা লমহেনবা কনানা
মিপাইরে নুজাগী থম্মোয়
খোংনেংনখিগদ্রা হায়নস্থ মিপাইরে।

(২)

নৌনা শাংচবা লৈরাংনী
করিশু খংজবা লৈজদ্রি
খংজবা লৈজদে তাইবংগী অরাবা
লমখাংদা মাংহনবীগদ্রা মীপাইরে।

(৩)

মিংলু পীরাং ইহৌবে হৌজিক
লৈশাং মপুং ফারকপসিদা
নুংশি হৈতবা তাইবং ওইবনা
খোংনেংনখিগদ্র হায়না মীপাইরে।

নংনা পিরম্বা গুলাপকী লৈনম

(১)

নংনা পিরম্বা গুলাপকী লৈনম
চুহোরে চুহৌবতা মঙাইরে থম্মোয়না
নিংজবা অমদি থুংদরে
কাইরে থম্মোয়সে ঙসিদি ।

(২)

নিংজবা আশা পুমকাই কাইরে
অমুক নৌহৌননা য়েন্নীং হুল্লরোহ
পামজরুব এগী থম্মোয় তাহৌরে অরেম্বদা
নিংজবা আশা পুমকাই কাইরে !

(৩)

খংলমল্লবদি কাইনগনি
খংলমল্লোইদোবনী হুংশি মশক
গুলাপকী লৈনম চুহৌরে
থম্মোয়সে লাংতক্লরে থম্মোয়সে ।

ঐগী অরাবা কনাদা লীরুনি

(১)

ঐগী অরাবা কনাদা লিরুনী
কনা অমতনস্থ তাবীদে ঐগী অরাবা
ফোংদোকলুবগী খোইনা হেন্না কান্নদে
তাবীনবা কনা লৈতে তাইবংদা।

(২)

চিনদা ফোংদোকপনা খরত্তনি
থম্মোয়গী অরাবনা পৈতুনা
লৈববনি নুজাগী অরাবা
কনানস্থ খংবীদে অরাবতনা শরুক ওইরে।

(৩)

অসিরা মীওইবা মপোক
ঐগীদমক্তদি থুম্রমন্ত্রে নুংঙাইবা
অরাবতনা ঐগী শরুক ওইরে
অসিরা হে মীওইবগী পুন্সি হায়বদো।

মতম খুদিংমক্তা শাওনবতা

(১)

মতম খুদিংমকতা শাওনবতা
তৌরবা মীদো হিংচাবা ওল্লকই
মীদো হীংচাবা ওল্লে হৌজিক
ওল্লে হৌজিক হিংচাবা ।

(২)

ঙসিদি ওইরে হিংচাবা
খোং থুং কোক পাল্লবশু
ঙসিদি ওইরে হিংচাবা
নমতুনা ওইহল্লি হিংচাবা ।

(৩)

হিংচাবা ওইরে ঐহাক ঙসিদি
তংতনা হোংনরি হিংচাবা ওইররুবা
ওইরে ঙসিদি হিংচাবা
ঐহাক ওইরে ঙসিদি হিংচাবা ।

কপ্পা উরগা ইমানা

(১)

কপ্পা উরগা ইমানা
নুংঙাইগনি করম্বা মচানা
লোইবা নাইদে ইমাগী অরাবা
হো ইমা, হো ইমা য়েংবা ঙমদে ইমাগী অরাবা।

(২)

নোংমা নোংমগী হেনগৎলি
অরাবা নুংঙাইতবা ইমাগী
পোৎথাবা লৈতে ঙসি অরাবা ইমাগী
হো ইমা, হো ইমা নচানা করম্না য়েংসিগে
ইমাগী অরাবা।

(৩)

হো ইমা হো ইমা নুংশিরবী
নুংঙাইবা লৈতে নচানা
ইমাগী অরাবা কোকপা লৈতে
হো ইমা হো ইমা য়েংবা ঙমদ্রে
নচা-না ইমাগী অরাবা ;

নুংঙাইরম্মী মতম অমদা

(১)

নুংঙাইরম্মী মতম অমদা
হবাও মোমোন্তা নোক্লম্মী
মতম অতুদা কেনিংলম্মী
মথল মথেলগী কীজোল
কজবা মক্তা উরম্মী মাইকৈ থুদিং।

(২)

হৌজিকতী কদাই লৈতরে নুংঙাইবা
মতমনা মীওইবগী খাঁখল হোংহল্লি
পুবকই অহোংবা মতমনা
নোক্কে থেম্মী নেম্মী নোংম নোংমগী।

(৩)

নোক্লবা পাঙ্গল লোইশিল্লকলে
করম্না নোক্কনী নংক্লবা লৈত্রে ঐগাকী
পামলে হৌজিক ঈশ্বর মনাক
নক্লা লৈবা।

হে ইমা ভারত লৈমা

(১)

হে ইমা ভারত লৈমা
নংগী ফজবা মাইথোংদা
তিনজগে পুক্লিং হকচাং পুম্বা
ভারত লৈমগী নিংথীবা থাবগী লোইবা নাইবোই

(২)

হিমালয় উলেননা লুহুপ ওইরীবী
সেংলবা লবুক্তা ফিরাংজি ফিদা
থ্রীবী অয়ুক্কী অহানবা খোংদোই
নংগী নোংদোল অভিয়াদনী ;

(৩)

ভারত লৈমগী উমংদা
ধর্ম্মগী ফজবা কয়ামরুমনা
খোনথাং যৈবী মতম চুপ্পা
পুকচেল তপপী গঙ্গা, যমুনা
চেম্মরী ইংনা মেংনা তপনা
অমেংবা-না ইমাগী লমচৎ ওইবী ।

ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা

(১)

ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা
থম্মোয় পেন্না কৌজগে ইমাগী নিংথেম
খ্বাইদগী নুংশিবা ইচানী নংদি
ইমাগী তম্পাকথক্তা মোমোন নোকপা
মিংয়েংনা ইমাদা য়েংলকপা কাওডমক্রেনে।

(২)

মনাম্নবা মরক্তা য়েংলুই
ইমা কৌরকত্র মনীংই
অচাংবা শরুক্তা মওই
ইচাগী শক্তমদি মউদ্রে ।

(৩)

কোরৌনা নারল ব্রাইদ্রিডৈ
ইমাগী নাক্তা হল্লকলোগবা
ইচাগী নুংশিবা ব্রাইনা অপাম্বা কয়া
হায়দুনা ইমাদা ওইনরোগবা
ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা থম্মোয়পেননা কৌজগে ।

বাবা নংবু কৈদোগে

(১)

বাবা নংবু কৈদোগে
নচাগী ব্রাহৈশিদদি তাবীখো
মপাল থোকব্রিডৈ য়ুমদগী
বাবা নংবু কৈদোগে ।

(২)

নংবু ঐনা ন্নুংশিদবা ঙমদেনে
বাবা নংবু ব্রাহৈসিনবা তাবীগো
য়ুমদগী মপাল থোকব্রিডৈ ।
বাবা নংবু কৈদোবগে ।

(৩)

নংনা য়ুবু ভাওরীডৈ
চফু উয়াল মীরাং থুবে
নংনা জুরাব শানরীডৈ
লৈদা তুবু হৌবনে ।

(৪)

পোং য়োনবী নাক্তা ফমলিডৈ
য়ুমদা নাপী হৌরে
হো বাবা নংবু কৈদোগে
নচাগী রাসে অমুক্তা তাবীখো ।

হা গোবীন্দ জগৎকী মপু

(১)

হা গোবীন্দ জগৎকী মপু
অয়া অনাশিংগী মপু ওইয়ীবা
নংগী অথুবা য়াহৈনা ওসি
মীওইবগী অয়া অনা কোকহনবীয়ী।

(২)

থুরুমজরী হে প্রভু তোল্লবী ননাইনা
অমমবদগী অয়াবদগী কোকহনবীয়ু
ননাইগী হকচাং অসি শেংদোকপিয়ু
ঐগী থম্মোয়বু তেকথৎহনবীয়ু।

(৩)

মীওই থুদিং অমত্তা ওইবা
পীনবীয়ু হে প্রভু
জগৎ শেম্বীবা হে ইবুংঙো প্রভু
মংঙাল পীনবীয়ু ননাই ঐবু
হা গোবিন্দ জগৎকী মপু
থুকমজরী ননাইনা হয়া হয়া।

পুনসি লমথুংক্ষম খংদে

(১)

পুন্সি লমথুংক্ষম খংদে
পল্লেপক্ষম খংদনা তাওথরী তুরেলগী কাওশিংগুম
কদোমদা চৎলগা লমবেল
অদু লৈবগে খংদরে লম্মুক্লরে ।

(২)

গুলাপকী মুংশিরবা ফমুংলা
লৈকোল্লা অকনবা তিংখংগী
চৎচনিংলে থল্লাই তাইবং ঊদবা মফমদা ।

(৩)

কাইনবগী থুংনবগী মুংঙাইবগী
অল্লাবগী তম্বা ঙমদবা
থোদোকশিং অত্তুদা
ঐগী ইশানা ঐগী ইশাবু
খংবা খমজদ্রে ।

মতিক চাদ্রবা পুন্সিগী

(১)

মতিক চাদ্রবা পুন্সিগী
নিংঙমহৌত্রবা রাষ্টৈশিংসে
ফোংদোকচগেকো ঙসিদি
মুংশিরবী নংগী নফমদা ।

(২)

মুংশিবা হায়বা ময়েকতো
ফোংদোকপা ঙমহৌত্রবশু ইচিন অসিনা
মিংলু পিরাংতনা লেপ্লি এগী পুন্সী
ঐগী অরাবা অসিতদি থংবীয় ।

(৩)

ঙাওজরুবা মুংশি নংগীদমক্তা
মুংশিগী ইপাকতা তাওজরুবা
মাগীদমক্তা রানা লেনজকবা
মুংশি মানা থম্মোয় মশক থংবীরমত্রে ।

হে নুংশিবী পান্মুবী কয়া লাপনা

(১)

হে নুংশিবী পান্মুবী কয়া লাপনা
পুগদৌরী হায়রুনে নংবু অমুক্তদি ঐঙোন্দা
হংজরুবা থুদিং নোক্তা মনোকই
ভাংজরুবা থুদিং মীৎনা-দা ময়েংলকই।

(২)

থাংজবা ভমজদরে পাখং ওইবনা
চিননাইদবী নংগী থম্মোয়দা করি থল্লিবনো
থম্মোয় পুবা ভমলকতবে হে নুংশিবী
অমুকতদি থুমলকউগবা নুংশিথোইবী।

(৩)

থুম্মুনে অমুক্তদি নংবুনে পান্মুবী
হংলিবনি ঐনা শকথংদবী নংবু
লাক্লনি মমলবা অহিংনা মশা-ফন্না
আশাগী মংলান কাইহল্লনি সোইদনা।

হে ঈশ্বর থূরুমজবি তোল্লবা ননাই ঐনা

(১)

হে ঈশ্বর থূরুমজবী তোল্লবা ননাই ঐনা
জগৎ অসিদা প্রভু নংনা অবতার তৌবীদুনা
চানবীররে জগৎ শিনবা থুংনা ।

(২)

নুংশিরবা প্রভূ হে কৃষ্ণ নংগী
থুমলবা য়াহৈ কয়ামরুমনা
কোকপিরে ননাই ঐগী অয়াবা ।

(৩)

থুরুমজবী হে প্রভূ তোল্লবা ননাই ঐনা
তাইবংগী অয়াবদগী কনবীবা
নংগী নুংশি য়াহৈনা মালেম শিনবা
থুংনা য়েনবীবা হে প্রভূ
থুরুমজবী তোল্লবী ননাই ঐনা ।

তেল্লবা পুন্সিগী নীকুপ অসিদা

(১)

তেল্লবা পুন্সিগী মীংকুপ অসিদা
জগৎকী মপু থীবদা ফংলরোইদবা
নং নংতনা কানা লৈজদে ননাই ঐগী
নংতনা খোয়গী অশেংবা মপুনী

(১)

জগৎকী ময়া কোক্লনবা
শক্তচগে নংগী নগুন
পুন্সিগী অরাবা কোক্লবা
নিজরী নংগী দর্সন।

(২)

মক্রুবা নংগী থম্বাল মানবা মাইথোং
উজনিংবনা ননাইনা অহিংগী অমম্বা
মরকতা খিজবা অয়ুক্কী কোরো
থিবা ফংলরোইদবা হে ঈশ্বর
ননাইনা কোইনা খিজরী।

লমদম তামনা লৈহৌই হায়দুনা

(১)

লমদম তামনা লৈহৌই হায়দুনা
নুংশি নংবু খল্লমলোই খনবরা
ইদোম রাহনগে হায়দুনা নুংশি
নপাও চেল্লক্তবরা নুংশি নপাও
রানা ঙাইরমগনি খন্দবরা ?

(২)

নপাম লমদমদা থোকপা থাজা
নুংশি নংগী মাইথোংনী খল্লি
পাবুম য়ামলে নশক উদবা
পাখং করি ওইরসিগে ।

(৩)

রাখলনদি খল্লুই কাউরগে
থম্মোয়নদি চৎখি নং ননাক্তা
থরাই রাউদ্রবা হকচাংদা
মংঙাইহৌরে থরাইদি নুংশি নাক্তা লৈখবে ।

থূরুমজরি হা ঈশ্বর

(১)

থুরুমজরী হা ঈশ্বর নখোং থম্বাল শোক্লা
লৌজরি থুয়া উঁফুল নমজরী তোল্লবী লাইবক্তা
কৎচরি চম্লবা থম্মোয়মা লৌবীয়ু নংনা তরাম্না ।

(২)

হা ঈশ্বর উংপিয়ু নংগী থৌজাল
শাংলবা তাইবং লমবেলদা
থৌজাল মিংয়েং য়েংবীয়ু নতুং ইনজরী
হা গোবিন্দ জগৎকী মপু।

(৩)

খোংদা নোপুর, থুংতা বাঁশি
কোকতা খ্রাহোংগী চুরানা লৈতেংবা
খুৎতা মুরুলি বাঁশি পাইবা
জগৎপু স্নমহৎপা থুরুমজবী তোল্লবী ননাইনা ।

(   ) ~লা তারে মচা শা

(১)

মৌগৎ~া ভারত মচাশা
অপুনবা খোল্লাও ~ রসি
মান্নবা লিংজেল উৎলাস
য়েক্লবগী মনি মুংথৎ~সি।

(২)

নখোয়দি খংলয়্নোয় ইবৈবাক
মুংনবা তৌরকলীবা থৌসিনশিংসে
ঈ খুজোক খুজোক কৎলগা কল্লসি।
ইবৈবাক মচাশা নথৌনা নরিংজেল
লৈয়ু নখোয় খুদিংমক।

(৩)

মীপান তাংদনা লৈজরম্বা ইমা লৈবাক
হৌজিক্কী কদায় ওইহনগদৌরে ঐখোয়বু
মীন ই. নিংথিবা ইমাগী ওকশমদা
মক্তনা লীক্লাং হুক্লসি ভারতবাসি
নোকলসি; মচু অহুমগী ফিরান
পাইহল্লসি নোংদোল পক্লা।

পোক্লফম [illegible]

(১)

পোক্লফম লমদম [illegible] ভারত লৈমা
নংগী লমন শিংজরী নপাবী [illegible] এখোয়না
ইমাগীদমক [illegible] ইখেং
তানা, নপাবী নমোমনা খাংদি অরাবি ফনা
নারক শিং[illegible] উমং রানংদা।

(২)

অসিরা ইমা ভারত লৈমা
মীপানতোন [illegible]জবা পুন্সি
পামজদে নচাশিংনা ওসি
মীনাই ওইনা লৈজবা পামজদে নচাশিংনা।

(৩)

হে ইমা রাবীরুন্নু নচাশিং পাঙ্গল
চাওরকলে. ঈ থুজোক থুজোক
কৎলগা ইমাগী ইরৈবাক্কী
কন্নবা হে.ৎনবদা মঙ্গোল পীনবীয়ু হে ভারত লৈমা।

রাজরবী ইমাও মণিপুর কৌবী ইমাও

(১)

রাজরবী ইমাও মণিপুর কৌবী ইমাও
নতম্বাক্তা সাওজরকপনী
নতম্বাক্তা শিজগে হে ইমা
অরাবা মাইরোং য়াঙগে ইমাগীদমক।

(২)

পলেম ইমা নুংশিবী
কননি ইমাগীদমক্তা
লৈ খুজোক খুজোক
ইমাগীদমক্তা লৈরি নচাশিং ঐথোয়।

(৩)

লৈজদেনে ইমা, ইমাগী
পেন্নবা রাহৈ রাভা ফজবা
পেনবীয়ুকো ইমা নচানা
কচ্চবা হৈরাং লৈরাং।

হা ঈশ্বর ননাইবু লমডিংবীয়ু

(১)

হা ঈশ্বর ননাইবু লমডিংবীয়ু
কনবীয়ু ঐগী থম্মোয় অসে ডালহনবীয়ু
পাঙ্গল অমদি থৌনা পীনবীয়ু
হে ঈশ্বর নং নত্তনা কনা লৈজদে ঐগী ।

(২)

থুদিংমক নংগী ননাই ডাক্তনি
তাইবংগী ইশ্বর হায়বদো নহাক্তনি
হে ঈশ্বর নংনা ঐখোয় থুদিং শেম্বনি
ঐহাক্না তাকৈ নংগী নগুণ ।

(৩)

মীওইবগী অরা অনা থুদিং নংনা কনবী
থৃক্লমজরী হে প্রভূ
প্রভূ তোল্লবা ননাইনা থুরুমজরী হন্না হন্না
নংগী তৃভংগা মৃত্তীবু লাৎচরি থম্মোয়দা ।

হে ঈশ্বর পাপকী মশক ওইরবা

(১)

হে ঈশ্বর পাপকী মশক ওইরবা
মীওইবা থুদিংগী অরা অনা
পুম্নমক কোকপিয়ু হে প্রভু
তোরবশিংগী চংজফম ওইরিবা।

(২)

যোকপিযু ননাইশিংবু হে প্রভু
খিকপিযু নংগী থৌজালগী
ইরিক চিংসনবীযুনে তোরবী ননাইশিংবু
অফবা নাইকৈ থুদিংদা।

(৩)

জগৎ পুম্বদা প্রেম য়েনবীরীবা
হুহ ত্রিভংগা মুর্ত্তী ওইরীবা
নংগী থৌজালগী ইথক ইপোম
মপাল নাইদেনে হে কৃষ্ণ।

ভক্তশিংগী মঙাল পিবীরীবা

(১)

ভক্তশিংগী মঙাল পীবীরীবা
তোল্লবশিংগী চংজফন ওইরীবা
জগৎকী অরা অনাবু কোকপিরিবা
কৌজরী ননাইনা হন্না হন্না ।

(২)

হে ঈশ্বর নংগী নারাহৈ নপাওশিংনা
ওসি শিন্দমশংদা মীওইবগী
লৌশিং মঙাল পিবিরিবা
হে প্রভূ খুরুমজরী তোল্লবী ননাইনা ।

(৩)

জগৎপু শেম্বীবা হে প্রভূ মুরুপ্পী পাইবা
কুইর কুইরগা অশুম নৌথোক্লকপগুম
ইবুংঙোগী অনৌবা অবতার ওইনা
মীওইবা পুন্নমকপু শান্তী পীবিরিবা
হে প্রভূ খুরুমজরী ননাইনা হন্না হনা ।

জসোদাগী মপারী ননি মাখোল হুরানবা

(১)

জাসোদাগী মপারী ননী মাখোল হুরানবা
কাহ্না থমগে হোৎনবদা
পেহো পেহো কপথিবা
হে কৃষ্ণ শকহেনবা
জসোদাগী থরাই রাজবা মতম অহুদা ।

(২)

রাধাগী থরাই ওইরিবা
গোকুলগী কৃষ্ণ শকহেনবা
মনলবা তাইবংদা ডালহলবীরো
হে কৃষ্ণ তোল্লবী ননাই শংবু ।

(৩)

লক্ষ্মীগী মবুংঙো হে প্রভূ
পুন্নমকপু থোজাল য়েনবীরিবা
তোল্লবী ননাইনা থুরমজরি
হে প্রভূ গোপীকাগী থরাই ওইরিবা ।

শরুগে তায়ো ঈশৈ

ওল্লে হৌজিক, হৌজিক

(১)

ওল্লে হৌজিক, হৌজিক
পুমওল ওল্লে লিককোল
শাল্লবা মুংঙাইবা মশাল্লা
শাবি শানৌগী মুংঙাইবা হুরাওবা লিকোল শাল্লবা ।

(২)

মহৌশাগী শকতম পুমহোং হোংলে
মণিপুরগী শকতম ফজবা
লৈরক্তরে ওসি ওল্লে মৈতৈ লৈবাক
পুমওল ওল্লে মৈতৈ লৈবাক ।

(৩)

শাবি শানৌনা মুংঙাইজবা
মতমনা তুংওইনরকলে ইতমনা
শাবি শানৌশিংগী মুংঙাইবা
লিকোলগী পমত্তা লৈতরে হৌজিক ।

চাককোবা প্রতাবরুদ্রদেবনা

(১)

চাকোবা প্রতাবরুদ্রদেবনা
প্রভূনা চাবিদ্রে প্রতাবকী চাকোবা
ফংতবা হুনদোকপা মফমদা ফমহুনা লৈজৈ প্রভুনা
ফজরবা কোম্নুং চংবীদে প্রভুনা।

(২)

হুংখি মনাইশিংনা করিগীনো
চানিংদে চানিংদে নিংথোগী চাকলেন
মফম অহুদা অশোল অনা য়াওদে
ডাইহাক্তা ডাইরম্মী মরল লৈবা।

(৩)

প্রভূনা তাকপিবা খংলহুনা
অশোল অনা কৌরম্মী প্রতাপনা
সেংলকই প্রভূ ফমফমলাংদা
লৌবিরে প্রভূনা প্রতাবসী চাকলেন।

সেৎলাইট অলমনা উরকই

(১)

সেৎলাইট অলমনা উরকই
ত্রিভংগ মুর্ত্তী লৈরী ইবুংঙোগী
স্বর্গদা ফোটো লৌজে পুরকই
অলম্না পৃথীদা লৈরি হৌজিক ত্রীভংগ।

(২)

হে প্রভু খুরুমজবী ননাইনা
ইবুংঙোগী [illegible]বা মমিবু
ঙসি উজবা ফংজরে হে প্রভু
নুংঙাইজরে ননাই ঙসি নিংবা থুংজরে।

(৩)

জগৎকী ঈশ্বর নংতনা মনিনী
ঙসিদি ঐখোয়গী তশেংনা নুংঙাইবনী
তাইবংপানদি অমতনি নং তাইবংগী মপু
নুংঙাইজবে ঙসিদি তাইবংগী নিংবা থুংলে।

শিন্নরম্মী প্রভুনা নিত্যাইনন্দদা

(১)

শিন্নরম্মী প্রভুনা নিত্যাইনন্দদা
চৎলগে ঐগী মতম লোইরে
মপুক লামলবা মতম অত্তুদা
লাক্লসনু মতম অত্তুদা পীগনি ঐনা দর্সন ।

(২)

প্রভুনা নিতাইনন্দদা হাইরকই
নং সন্দোকহৌরো ধর্ম্মসে
হরি সংকৃতন য়াওনিংবা কয়ানা অরাম খোরাংলবা
মতমদা লাকনী সোইদনা ঐগী নাকতা

(৩)

মীওইবশিংনা ঈশ্বরগী নাক্তা চংলকই
অয়াবা তারবা মতমদা
লামলবা মতমদা
চেং পীয়ু চংলকখিনি
তাকপিখি প্রভুনা নিত্যাইনন্দদা
মতম অত্তুনা ঐবু থিজরক্লসনু ঐ চৎলগে ।

খংলে খংজরে নংগী

(১)

খংলে খংজরে নংগী
চান্নমীনোক্ল লৌনম্বদো
মীনোকনা শুমহৎপা ঐগী থম্মোয়
খংলে খংজরে নংগী চান্না মীনোক লৌনম্বদো

(২)

নংনা হায়খিবদায়
ঐসে নংগীনি. নংনা ঐগীনি
কদায় হৌজিক ওইরে
থম্মোয় মৈচাক হেনগৎলকলে।

(৩)

নংনা হায়খিবদো
পুন্সি অসিমগী লেংদনা
লৈরগনি নংগীদমক লেংদনা
ওইরে হৌজিক কাইনরা হায়বদো।

নক্লা নক্লা লাপথরে

(১)

নক্লা নক্লা লাপথরে
উনা-উনা তামথরে
নুংশিবী নংগী শক্তমদো
তমনিংবা ৱাহৈ কয়াসে
থম্মোয়দা কংহুনা মাংলে।

(২)

তাজনিংবা ৱাহৈ কয়াম্ব
তাজবা ফংদনা লেল্লে
অৱাবা মৈচাক কয়াসে
থম্মোয় পেন্না কপচগে।

(৩)

পিরাংনা চোৎলবা মীৎলুদা
নুংশি শক্তম মুৎতরি
নিংবা কাইরবা পুন্সিদা
মাগী শক্তম কাওদরী।

নিত্যাই শুভ্র মানা প্রাঠ কবিতা

(১)

নিতাই শুভ্র মানা প্রাঠ কবিতা
লেংলম্মী প্রভূনা।
বাশুদেব পন্দীংনা গঙ্গাগী
হি মথক্তা পারম্মী কবিতা।

২

মঙাল ফংখি পৃথী পুম্বা
পুমলং লংলম্মী
খনখি বাশুদেবনা লনথুম্না
পৈসানা লৈরগে প্রভূগী কবিতা।

(৩)

খংলকই প্রভুনা বাশুদেবনা খনবা রাখল
সনা লুপানা হেনখিবা তারে ঈশ্বরদগী
থনজুনা সেগাইরগা
থাদখি গঙ্গাদা।

৮

পাম্মুবী পুর্নাসিগী ঈচেল খুদিং

(১)

পামুবী পুন্সিগী ইচেল খুদিং
নংগী ইপাকতা তিনজন্সিংই
থপ্মোয় রাহৈ পুম্বা মুংশি নংগী
নফমদা তৎতনা তমজনিংই
অসিবা হে মুংশিবা ।

(২)

ঐগী অহৌবা অরোইবা
নংগী পুন্সিনা ওইজবা পাম্মী
অরাবা মুংঙাইবা পুম্নমক
নংগী শকক তমজবা পাম্মী
অসিবা হে মুংশিবা ।

(৩)

নংগী রাখলদা লুপলীবৈ
নংগী আশাদা তাওবিবৈ
খুদোংথিবা কাওথোকই
কাইনগনী হায়বগীম্মু রারুবা লৈতে
অসিবা হে মুংশিবা ।

কদাইদনো ইমাগী ইবুংঙো

(১)

কদাইদনো ইমাগী ইবুংঙো
নংনা কোইনা চৎলিবা
উথোক্কনা উবা তাইবং মপোক
কঙাওনরে ইচাদি ঙসি ।

(২)

পৃথীবীসে করি হায়বা পোৎশকনো
খংদ্রিবা ইচানি নৌরীবনী
তনৌরিবা ইচানা কোইনা কোইনা
চৎপা রাদ্রিবরা নহাকপু ।

(৩)

পৃথীবীদি অঙকপনা
থল্লবা মফমনী
হৈরোই ঈচানা কঙাওনরক্কনী
চৎথোকনু ইমানা অশেংবা হায়গে তাউ

মীওইবগী মপোক অঙকপনি

(১)

মীওইবগী মপোক অঙকপনি
উৎ খুৎয়োক অহুমনা
লোইরে ঙসি মীওইবা
খংই মতু পুম্নমক মীওইবনা।

(২)

কল্লক্করী মীগী নুংঙাইবা উরগা
অসিরা মীওইবগী নুংঙাইবা
ফুনরী হাৎতোক্করি থিন্নরী থাংনা
য়েংথিননা নুংশিনদনা পুন্সি অমা লেন্নরী।

(৩)

মতম কুইদে মীওই পুন্সি
নুমিৎ লিশিং ৩৬তনি ঈশ্বরনা পীবা
য়োৗবা ঙমদে মীওইবা কনানস্থ মতমতু
মতাং চাদনা লমখাংদা ঈশ্বর মনাক্তা চৎলি।

হো ইমা পলেম ইমা

(১)

হো ইমা পলেম ইমা
করি লমদমদা লোংলিবগে
লমদম কৈদা লৈরিবগে
কৌজবদো খুমলোগবা ।

২)

থা লৈবাকতা লোংপরা
থবান লকতা লৈরবা
ইমাগী নুংশিবা কোলে চ
থম্মোয় পেন্না কৌজগে ইমা ।

(৩)

শাম্মু পাঙ্গল চাওরকলে
ইমাগী খোমলাং লনন শিংজরগে
তাইবংগী সোনচং খংজদে
তৌগদবা ইথৌ তাক্লরো ।

পুনসিগী লম্বীদা থেংনরুই

(১)

পুন্সিগী লম্বীদা থেংনরুই
অরা অনা জায়ামরুম
নোকখি পেন্না থম্মোয় অসি
খম্মোয় সোক্না কপলি ভসি ।

(২)

অৱাবা কয়া নিংশিংলগা
মিৎলুদা পীরাংনা চোৎলি
মুংঙাইবা কয়া নিংশিংলগা
ঐবু অমুক নৌহৌনবা নোকহল্লী

(৩)

মহাও য়াউদনা তিংবা পুন্সি অদুম
হিংবা পাম্মী অশা কাইথ্রবদা
অমুকস্তু মণ্ডলি মংলান ভসি
অসিরা তাইবংগী লিলা ।

ঐগী পুক্লিংনা পামজবা ঈশৈ

(১)

ঐগী পুক্লিংনা পামজবা ঈশৈ
ঙসি কৈদৌরগে নংবু ঈশৈ শল্লরোইদ্রা
থল্লাইনা পানজবা ঈশৈ
শল্লরোইদ্র নংবু কৈদৌরবগে ।

(২)

শমলাং মরুমদা লৈশাৎচল্লিবা
মাইথোংদো মপুং ফাদরে
চিনবান মপাল তাংজবী
মাইথোংনা নোকচবদো হরাওনা ।

(৩)

ঙসিদি শল্লরোইদরা ঈশৈ
ইথৌ লাংলবা ঐগী থম্মোয়
কোকহল্লু নংগী শৈশক কয়ানা
ইংহল্লু ঐগী থম্মোয়সে ।

হে লুপা, লুপা

(১)

হে লুপা, লুপা
নংগী নতিক নয়াইসে
কল্লিকো নংসে মীৎনা
উর্বা তম্নলাইরা !

(২)

পৈশাগী তাইবং অসিদা
ঐগী মুংশিবা অসি
লৈশাং তম্বা ওমদরে
অচুম্বা হায়বদো ফংবা ওমদরে ।

(৩)

রাখল পথাপ
রায়েল পাথাপ পরিংস্মু
নংনা মখোং তেকহল্লে
লৈভাকল্লোনশিংস্মু সুম চাহল্লে ।

নুমিৎকী মঙালনা ঙসি

(১)

নুমিৎকী মঙালনা ঙসি
য়েল্লি মাইকৈ খুদিং থুংনা
ঙান্দবা লৈতে ফৎত্তবা মফমদা
নুমিৎ অমদি পুম্নমক সেম্বীবা ঈশ্বর
খুরুনজরী ননাইনা হন্না হন্না ।

(২)

ঈশ্বরনা ঐখোয় পুম্নমকপু নুংশিবী
অফবা মঙংদা নিংঊ
অসিগুম্নবা থোজাল হৈরবা হে প্রভূ
তোল্লবা ননাইনা খুরুমজরী ।

(৩)

তাইবংগী জীব খুদিংমকপু
অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীরিবা
হা ঈশ্বর নংগী মপালনাইদ্রবা থোজালবু
খুরুমজরী ননাইনা হন্না হন্না ।

নুজাগী নাপসে অহাংবা ওইবে

(১)

নুজাগী নাপসে অহাংবা ওইরে
পাখংগী থুংনা নাচোম থেংলদরে
নুজাগী সমলাংসে অরেম্বা তারে
অহিংগী মীতমদা পুকনিং থৌগৎপিদরে।

(২)

নুংশিবগী মহাও ফংদ্রবা
থম্মোয়দগী হৌবকপা ঈহৌ
কয়া কয়ানা খাংডমদনা
রানা রানা লেল্লে পুন্সিসে।

(৩)

পুক্নিং কাচিনদগী লোৎতুনা
থনম্বা আশাগী মৈরা পাম্বুবা
নিংজবতা মঙাইরে ওসি
নুজাগী নাপসে অহাংবা ওইবে।

শাংকাইহনবীয়ু নংনা ঐগী থম্মোয়

(১)

শাংকাইহনবীয়ু নংনা ঐগী থম্মোয়
য়েননিং থা ওইহনবীয়ু নংনা চান্নবী
ঐগী চাক্লবা থম্মোয়সে
ডালহনবীয়ু মমলবা পুন্সি মুংশি ব্রাহৈনা।

(২)

পুবিয়ু ঐগী পুন্সি আশা চাওবী নংনা
ওইবীয়ু নংগী খোংলোই
আশা ওইবী নহাক্না.
মুংডাইহনবীয়ু ঐবু মুংশিবীয়ু।

(৩)

নোকহল্লো কংলবা চিনবাল
মুংডাইবা কৌবী নংনা
পেলহললো পুন্সিগী অরাবা থম্মোয়
য়েংবীরকউ থৌজাল হৈবী নুজাও।

নংতবু খন্না খন্না লেল্লেনে পুনসিসে

(১)

নংতবু খন্না খন্না লাল্লেনে পুন্সিসে
নংতবু নিংশিং নিংশিং থারগে থরাইসে
তুরেলগী ইচেন্না চেন্দ্রবদা
কৈদৌরুনি তোরবান্না ।

(২)

উরিনা য়েৎপিন্দ্রবদা
কৈদৌরুগনি পামেন্না
থাজওইবীনা থোক্ত্রবদা
নোংইন্না করি তৌরুনী ।

(৩)

আশা য়াওদ্রবা পুন্সিনা
করম্না হুংঙাইগনি
মৈরি মুত্রবা থশ্মোয়না
করম্না মৈশা কোকনী ।

অসুমমা থুংনরোই নিংলমলবা

(১)

অসুমনা থুংনরোই নিংলমলবা
করিগী নংবু নুংশিরুনী
অসুম্না রাগনি খল্লমলবা
করিগী নংবু মিতারুনী।

(২)

থস্মোয় প'ন্দে খংলমলবা
কৈদৌনা নংবু থস্মোয়দা লাংলুনী
থৌজাল হৈতে খংলমলবা
কৈদৌনা নংগী নতুং ইল্লরুনী।

(৩)

ইরাল লৈত্রবা ঐহাকপু
করিগী মৈমুংদা হুনজল্লী
চমলবা ঐগী থস্মোরবু
করিগী কপচল্লিবনো।

তোর্ব্বান ওইবা পুন্সিদা

(১)

তোর্ব্বান ওইবা পুন্সিদা
ঈচেল ওইবী মংশ। ডাথু থেংথুন।
চেনবদো পামজরুইনে
পাখং ওইবা পুন্সিদা ।

(২)

পুন্নমকতো লাইবক্কদি
নেম্বন। বিধি মানদি
তমলমদ্রে রাখলনা
খল্লূবদা মঙাইরে ।

(৩)

উপাই লৈত্রবা মপোকতা
অম্বুম নিংবসি মঙাইরে
গতি লৈত্রবা পুন্সিদা
অম্বুম লেল্লসি মঙাইরে ।

য়ারল পাৎতা পোকচবী

(১)

যারল পাৎতা পোকচবী
লাংগোল্ম . চীংখোং ওংজবী,
কোম্মীরৈ লমদম অসিগীদি
লৈন্নুংশি চৈরাও কৈথেল কারকলে।

(২)

রাশক চেৎপি নুজাও
পাইমা লৌশিং চাওবীও
পেমচা নংগী মিংলেন
তাইবং ফাওনা ডাল্লকলে।

(৩)

লৈবাং লক্রুগী শকহেনবী
ওইবনা তাইবং ফাওনা
শাৎলকলে মালেম
শিনবা থুংলকলে
লৈরাং শাৎফম থিরকলে

লমদম কৈদা লৈবগে

(১)

লমদম কৈদা লৈবগে
কোলোই নমিং করি কৌবগে
এগী থম্মোয় চুখিব্রী
নুজা নংবু কনানো ?

(২)

মাসংনা লৈনম পুরকপর্দি
পাথং থম্মোয় কাইখিদোরে
লৈরাংগী শাংফম থিরকপদা
রাখল অসি লমুক্করে।

(৩)

লৈরাং ওইবী নংগী নকমলা
নিংজবা খিবিক ভমজসিংই
মাইকৈ থংদদুনা
থম্মোয় অসি ফংহুনা মাংলে।

তেল্লবা পুন্সিগী মীকুপ অসিদা

(১)

তেল্লবা পুন্সিগী মীৎকুপ অসিদা
জগৎকী নপু মফম কৈদম্ন
থিবদা ফংলরোইদ্রা হে ঈশ্বর
নং নংতনা কনা লৈজদে ভোল্লবী ননাইগী :

(২)

জগৎকী ময়া কোক্লবা
শকচগে নংগী নগুণ
পুন্সিগী অরাবা কোক্লবা
সোনজগে নংগী নগুন ।

(৩)

মকত্রবা নংগী থম্বাল মানবা
মাইথোং উনিংবনা ননাইনা
অহিংগী অমমবদা অয়ুক্কী
কোৱো থীজরী হে প্রভূ তোল্লবা
ননাইনা থীজরী শকউদবা নংবু ।

পৃথিবীদা লৈরিবা মীওই খুদিং

(১)

পৃথীবীদা লৈরীবা মীওই খুদিং
লৈমিন্নগনি চান্ন চিন্নন।
ইমুং মন্নুংগুম অমত। ওইনা
প্রভুগী অচেৎপা রাহৈনি খওজৈ ননাইনা।

(২)

মশানি উপাল অমতগী
অমতনি পৃথীবীগী মীওই খুদিং
চান্না চিন্ননা লৈমিন্নবনা
অতুতনা ওইগনি অফবা
তাকপি প্রভুনা।

(৩)

হে ত্রিভংগা মূর্ত্তী ওইবা
খুৎতা বাঁশি পাইবা
রাধিকাগী থরাই ওইব।
খুরুমজরী তোল্লবী ননাইনা।

হা গোবিন্দ মনাইশিংবু

(১)

হা গোবিন্দ মনাইশিংবু
অমতা ওইনা পুসিনবীয়ু হে প্রভু
নহাকী পাক চাওববা থৌরম্বু
শংহনবীয় নংগী থৌসিন মমুংদা য়াওহনবীয় ।

(২)

হে প্রভু বাধাগী চান্নথোক্‌ইহা
গোপীকাগী থরাই ওইকা
অমম্বগী অরাবদগী কৈ'কহনবীয়
পীনবীয় মঙাল হা ঈশ্বর ।

(৩)

কলক মীহৌবম্বু তৌহনবীগনু
তথক তথক তৌহনবীগনু
ননাইগী থরাই তেংথহনবীয়ু
ঐগী থম্মোইবু শেংদোকপীয়ু ।

মতমগা লৈরাং শকহেনবী

(১)

মতমগী লৈরাং শকহেনবী
ফুরা দলান্দ খুদি থিবী
মাইথকপী মায়রোংবী
কীজৈনে লৈরাং ননাক নকচবা ।

(২)

হে শকহেনবী লীন্দাওবী
তুং মাং হন্ন-তুনা য়েংদবী
শীঙেল চোইনা মাংগেরা
মাংহন্নীংদে পামুই পামুই ।

(৩)

তথকপা থম্মোইবু লাকপীনবা লৈত্রবরা
নতুং ইনবা কীজৈনে খোইমু ঐদি
হে লমকেৎ লমহায়বী
চিং লেম্বা হৈতবী ।

ইমাগী ইবেম্মা নুংশিবী নংবু

(১)

ইমাগী ইবেম্মা নুংশীবী নংবু
চংলোকো নয়ুম লমদম থাদোক্নুনা
লৈরুরো নপুরোইবগী মনাক্তা
নুঙাইনা লেল্লুকো ইচাগী পুন্সী।

(২)

ইমাগী নাক্তা মতম শাংনা লৈবা
তল্লমদে নীঙোল মপোকতা
চংনবী কাইবা য়াদবনা
থিনদোকলে ঙসিদি ইচাবু।

(৩)

ইচাগী নুংশি মৈরীনা
ইমাগী থম্মোইনুংদা ওমচাকনরে
মৈরী থোক্না চাক্লক্লে
থম্মোয় কায়না কপলেদো।

ঙরাং অহিং লৈকোন্দা

(১)

ঙরাং অহিং লৈকোন্দ
তৈনম লৈনমনা চুরবা
শমলাং মুক্তাগী থরাইগুম
থমজবা নিংঙোনগী শমজিলকতা লাংচগে নহাকপু।

(২)

নিংবা কাইরবা পাখংগী
লোংচগে শমজিলক্তা
মহুতনা পুন্সিগী
য়াবা কোককনী।

(৩)

অরাবা মপোক ঐহাক্তী
নিংঙোলনা নিংবা অমুক্তা
থুংহনবীয়ু লাংচগে নংগী
শমলাংলক্তা।

নিংহন্নগন্নু পাখং

(১)

নিংহন্নগনু হে পাখং
মীওই পুন্সি অরাবনা
থনবনি লাম্থোকপা
ওয়বা হোৎনগনি অরাবা মরক্তগী।

(২)

চোংথবোইদবনী জহাজদগী
নোংলৈ নুংশিং থেংনবদা
য়ৌবা ঙমলোই তোর্বান
সমুদ্রদা অতুম লৈগনী।

(৩)

অরাবা কয়া থেংনরীবা মথৈ
শিংবা হেনগৎনবগী থুদমনী
অরাবা মরকতা নুংঙাইবা থরতং
চৎকদবনী অরাবা মরক্তা য়ৌনবা পনথুংফম
ফিরান থেৎপা ওইগনি মতুতনা পুন্সিদা।

নহাক্কী ননাইশীংবু অমতা ওইনা

(১)

নহাকী ননাইশীংবু অমতা ওইনা
পুসিনবীয়ু হে প্রভূ জগৎকী মপু
নহাকী পাক চাওরবা থৌরম্বু খংহনববীয়ু
নহাকী থৌশিল মন্নুংদা য়াওহনবীয়ুনে
হে রাধাগী চান্নথোইবা।

(২)

হে ঈশ্বর মীওইবা খুদিংমকী থোংজিন্দা
নংনা লেংদনা লৈবা পীনবীয়ু
তাইবং খুদিং পুন্না নুংশিচান্ননা
লবা পীনবীয়ু হে প্রভূ জগৎকী মপু।

(৩)

প্রভূগী থুমলবা রাহৈ কয়ানা
অপুনবা মীওই অমা ওইজবা উম্বা
পীনবীয়ু হে ঈশ্বর জগৎকী মপু
থুরুমজরী তোল্লবা ননাই হে জগৎকী মপু।

হে জগৎকী মপু

(১)

হে জগৎকী মপু, জগৎ সংসারগী
লমজিংবীবা খুরুমজরী ননাইনা হন্না হন্না
তাইবং পুম্বগী থম্মোইগী মঙাল ওইরীবা
হে ঈশ্বর নঙোন্দা লৈজবা পুম্বা কংথোকচরি।

(২)

প্রভূ তোল্লবা ননাইশিংবু থৌজালবীয়ু
থৌজালগী মীৎয়েং পীনবীয়ু
নংগী থৌজালগী মীৎয়েংতনা
ইংবা ওমগনী ননাইগী থম্মোই।

(৩)

তাইবংপুম্বগী প্রেমগী ভিক্ষাবী
কৌজরি ননাইনা হন্না হন্না
খুরুমজরী তোল্লবা ননাইশিংনা
পীনবীয়ু লংলবা নঙাল।

নিংহন্নগন্নু পুনসিন্সী অসি

(১)

নিংহন্নগনু পুন্সি অসি
য়ৈথাই থিংগাইবনা
পিক থনবনি খন্থগদবনী
নিংহন্নবা হায়বা অসি লৈরোইদোবনি পুন্সিদা।

(২)

পুন্সিদা অরাবা অমা
থংনরগা পুন্সি ফেল
ওইরে, খনফরোইদবনী পুন্সি।

(৩)

তুবদা অমুক্তং রাবনী
খনফদে অমুক হৌগৎ
অমুক হৌগৎ লাক্লগদবনী
ফেল ওইবা য়াদে পুন্সি।



শকুগে তারো ইশৈ

মুংশি নংগী মোংফম অসিদা

(১)

মুংশি নংগী মোংফম অসিদা
কৎচরী থম্মোয়গী মমি ফুরা অমতং
থম্মোয়গী মৈরা অসিদা
নৈবীয়ুকো লেংদনা নহাক্না ।

(২)

মীনুংশিহৈবী মুক্তানী নংদি
ঐগী নাক্তা অমুক্তা লেপপোরাও
হে নুংশিবী নংনা ইংহল্লো ঐবু
পাখংগী মংলান অসি ম ফাউনহনবীব ।

(৩)

চীংখোং চীংয়া নাবক মোংশোংদা
কৌজবী ঐগী থরাংইনা নংবু
থম্মোয় সোক্না থুমলোপবা
অমুক্তদি তাদ্রবরা নুংশিবী নংবু ।